# ৱানদা গ্রুপ অমসুং ফিফা অনীনা মালেমগী ফুটবোল মশান্নবু চাউখৎহন্নবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে




জুরিখ, মার্চ ২৯ :
মালেমগী ফুটবোলগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা ফিফানা ফুটবোল মশান্নবু অনৌবা মায়ওন অমদা পুরক্লবগীদমক চিনাগী ৱানদা গ্রুপপু গভর্ণিং বোদি অসিগী মরুওইবা স্পোন্সর ওইনা খনখ্রে।

হৌখিবা চহী খরদা গভর্ণিং বোদি অসিদা শেঙ্গা-থুমজাগী চাউরবা ৱাথোক লৈখিবদগী মসিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা সেপ ব্লাটর অমদি য়ু ঈ এফ এগী হান্নগী প্রসিদেন্ট মাইকেল প্লাটিনি অনীবু ফুটবোল মশান্নদগী চহী ৬ অথিংবা থমদুনা বোদি অসিবু অনৌবা মায়কৈ অমদা পুরক্লবা অকনবা খোঙথাং লৌখৎতুনা মসিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট খন্দুনা চঙশিল্লকখিবা চৈরক্তা ৱানদা গ্রুপপু মরুওইবা স্পোন্সর অমা ওইনা খনখিবা অসিমক মশক থোকপা ওইনা লৌরি।

ফিফানা থাদোরকখিবা চেরোল অমদা চিনাগী খ্বাইদগী মরল মথুম পায়বা মীওই অমা ওইরিবা ৱাং জয়ানলিনগী ৱানদা গ্রুপ অসিনা লাক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ মরিগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা স্পোন্সরশিপকী হক অদু লৌরগনি হায়রি।

মশাগী চহী ৬১ শুরবা ৱাং জয়ালিনগী মরল মথুম অসি চাউরাক্লা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ২৯ রোম ওইবদা নত্তনা স্পেনগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব এথলেটিকো মেদ্রিদসু মহাক্কী শিয়ার য়াওরিবনি। মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা স্পোর্টস মার্কেটিং এন্দ মেদিয়া কম্পেনিশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইনফ্রন্টকীসু ৱাংনা মপু ওইরিবনি।

হৌখিবা চহী খরসিদা ফিফাগী মরুওইবা লুচিংবশিংনা শেঙ্গা-থুমজাগী চাউরবা ৱাথোকশিং মায়োক্ন রকখিবদগী গভর্ণিং বোদি অসিগী অনৌবা স্পোন্সর ওইবীনবা হায়দুনা থিরকপদা অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা লাকখিবনি। সেপ ব্লাটরনা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ২০০ হেনবগী য়াম্লবা শেনফম অরানবা মওংদা শীজিন্নখি হায়বগী ৱাফমশিং থোরকপদগী ফুটবোলগী ওফিসল ৩৯ অমদি কম্পেনি অনী হৌজিকয়ু এসতা চার্জশিং মায়োক্নরি হায়রি।

সোনি কম্পেনি অমসুং ইমিরেটস এয়রলাইন্সনা কুমজা ২০১৪ দা ফিফাগী মরুওইবা স্পোন্সরশিপ ওইবদগী তোকখ্রবা মতুং মহুৎ শিনবীনবা কম্পেনি অমদি কোর্পোরেট অমত্তনা চোংথোরকখিদে। অদুবু হন্দক্তা ৱানদা গ্রুপনা মরুওইবা স্পোন্সরশিপকী দাইত্ব ওইজগে হায়দুনা থোরকখিবদগী ফিফানা অয়াবা পীখিবনি।

ফিফা অমসুং ৱানদা অনীগী য়ানবা অদুগী মতুংইন্না ৱানদা গ্রুপনা লাক্লিবা কুমজা ২০৩০ গী ফিফা ৱর্ল্ড কপ য়াওনা ফিফাগী কম্পিটিসনশিং অমদি কোর্পোরেট এক্টিভিটিশিংদা স্পোন্সরশিপ কম্মর্সিয়েল রাইটস ফংগনি হায়না ফিফাগী চেরোল অদুনা মখা তানা হায়রি।

ফিফাগী প্রসিদেন্ট জিয়ানি ইনফানিটনোনা হায়, ফিফা অমদি ৱানদা গ্রুপ অনীগী লৈনরিবা মরী অসিনা চিনা অমদি মালেমগী মফম খুদিংদা ফুটবোল মশান্নবু চাউখৎহন্নবা হোৎনরিবা অসিদা হেন্না মতেং পীরগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

ৱাংনা মশান্না অসিদা থাজবা থম্বা অমদি থৱায় য়াওবা অসিনা চিনাগী প্রসিদেন্ট জাই জিনপিংনা মহাক্কী লৈবাকপু মালেমগী ফুটবোলদা মকোক থোংবা ঙম্নবা হোৎনরিবা অসিদা মতেং পাংবা ওইনা থোক্লি।

ঐখোয়না লৈবাক অসিগী মফম খুদিংদা ফুটবোলবু চাউখৎহন্দুনা তুংগী মীরোলদা হেন্না মতিং থোক্লা শন্নবা ঙম্ন বা মিৎয়েং চঙলি। চিনা গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা থম্মোয় শেংনা কখোত্তুনা থবক তৌরি অমদি ঐখোয়নসু পাংবা য়াবা মতেং পীগনি হায়না ৱাংনা ফোঙদোকখি।

# এন্দি মরে, সেরেনা ৱিল্লিয়মস, রাদৱানস্কা মিয়ামি ওপনদগী মায়থীদুনা লৈহৌরে



মিয়ামি, মার্চ ২৯ :
ব্রিটিশকী ৱর্ল্ড নম্বর টু এন্দি মরেনা মফম অসিদা চথুরিবা মিয়ামি ওপনগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেচতা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিট্রোভকী মখূৎতা ৬-৭ (১), ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীদুনা লৈহৌরে।

য়াম্না কৃক-কৃক ইন্ননা শান্নখিবা ওপনিং সেট অদুগী ট্রাইব্রেক্তা ৭-১ দা লৈখ্রবা মতুং মরেনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নদুনা সেট অদু ৬-৭ (১) তা মায় পাকখি। অনীশুবা অমদি অহুমশুবা সেটতা ২৬ শুবা সীদেদ অসিনা ফীভম ফনা শান্নরক্তুনা মরেবু নমথরম্লগা মায় পাকখি।

অনীরক মিয়ামিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মরেনা হৌখিবা চহী মরি অসিদা ওপন অসিগী ফাইনেলদা অহুন্নক চঙখ্রে। মহাক্না অহুমশুবা সেটতা ৩-১ দা মাঙজিল থানা চৎখ্রবসু মহাক্কী ওপোনেন্ট দিমিট্রোভনা শাফু কল্লবা সার্ভশিং তৌখিদুনা ৬-৩ দা মায় পাকখি।

মেচ লোইরবা মতুং মরেনা হায়খি, ঐনা মেচ অদুদা অনফোর্স ইররশিং তৌখি অমদি মহাক্না ঐঙোন্দগী হেন্না শাফু লৈনা শান্নখি। ঐনা মহৌশা তৌখিবা অদুদগী তায়োন্ননা অশোয়বশিং মরু ওইনা অহুমশুবা সেটতা তৌখি হায়খি। মরেনা মেচ অদুদা অহুমশুবা সেট খক্তদা অনফোর্স ইরর ২২ তৌখিদুনা অমুক্তা ওইখিদবা থৌওংদা চৎখি।

অতোপ্পা নুপাগী মেচতা জপানগী তরুকশুবা সীদকৈ নিশিকোরিনা উক্রেনগী অলেকজেন্দর দোলগোপোলোভপু ৬-২, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ওপন অসিগী মরিশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি। মাপনশুবা সীদেদ ফ্রেঞ্চমেন জো ৱাইল্ডফ্রাইদ সোঙ্গানা স্পানিয়ার্দ রোবার্টো বৌটিষ্টা অগষ্টকী মখূৎতা ২-৬, ৬-৩, ৭-৬ (৩) তা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

অমরোমদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা ওপন অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা ১৫ শুবা সীদেদ রসিয়ন সভেটলানা কুজনেটসোভাগী মখূৎতা মরিশুবা রাউন্দদা ৬-৭ (৩), ৬-১, ৬-২ দা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে।

সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা মিয়ামি ওপনগী টাইটল মাপনলক লৌনবা পান্দমদা ওপন অসিদা চঙলকখিবনি। সেরেনানা মিয়ামি হার্দকোর্টতা মায়থীখিবা অসি কুমজা ২০১২ গী মতুংদা অহানবসু ওইরে।

অতোপ্পা নুপীগী মেচ অমদা রাদৱানস্কানা ১৯ শুবা সীদেদ স্বিসকী টিমিয়া বাকসিনজকিগী মখূৎতা ২-৬, ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীহৌখি।

কুমজা ২০০৯ গী মতুংদা অহানবা ওইনা সেরেনাবু মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখ্রবা কুজনেটসোভানা হায়খি, ঐহাক তশেংনা নুঙাইবা পোকই। সেরেনা মখা তানা ওপন অসিদা শান্নবা ফংখিদবদগী নিংবা কায়রবা মরুপশিংনা ঐবু ঙাকপীয়ু। অদুবু মহাক্না মসিদগী হেন্না য়াম্লবা ইভেন্টশিং মায়োক্নরকখিগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ঐহাক তশেংনা ঐগী পার্ফোমেন্সতা অপেনবা পোকই। ঐনা ঐগী ফনা লৈরিবা লেভেল অসিদা থম্ননবা গেম মনুংদা হোৎনখি। ঐনা নিংথিনা শান্নখি হায়না খল্লি অমদি ঐনা তৌখিবা সর্বশিংদা অপেনবসু পোকই হায়খি।

ক্রান্দোান পার্কতা চথুখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেচতা পোলেন্দগী অহুমশুবা সীদেদ অমদি ৱর্ল্ডগী নম্বর টু অগনিয়স্কা রাদৱনস্কানা ১৩ শুবা সীদেদ স্বিসকী টিমিয়া বাকসিনজকিগী মখূৎতা ২-৬, ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

মরিশুবা সীদেদ স্পানিয়ার্দ গার্বিন মুগুরুজানা ১৩ শুবা সীদেদ বেলারসিয়ন ভিক্তোরিয়া অজারেঙ্কাগী মখূৎতা ৭-৬ (৬), ৭-৬ (৪) দা মায়থীহৌখি। অজারেঙ্কানা চৎলিবা থা অসিদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন ৱেলসকী টাইটল লৌখিবদগী মহাক্কী ফোর্ম তানা লৈরিবনি।

অতোপ্পা নুপীগী এক্সন্দা মঙাশুবা সীদেদ রোমানিয়াগী সিমোনা হালেপনা ব্রিটিশকী ৱাইল্ডকার্দ হিথর ৱাটসনবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

# মেরি কোম, দেভেন্দ্রো অমসুং শিভা থাপানা এসিয়ন ওলেম্পিক ক্বালিফাইয়রসকী সেমী ফাইনেল য়ৌখ্রে







ক্বিনান, মার্চ ২৯ :
এম সি মেরি কোম (কেজি ৫১), এল দেভেন্দ্রো সিংহ অমসুং শিভা থাপা (কেজি ৫৬) না মফম অসিদা চথুরিবা এসিয়া/ওসিনিয়া ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবগা লোয়ননা রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইনবগী খোঙফম নকশিন্না লৈখ্রে।

মসিগী মায় পাকখিবা অসিনা বোক্সর অহুম অসিনা ব্রোঞ্জ মেদল ফাওবদি শোইদনা ফংলবা য়ানা লৈখ্রে। অদুবু ফাইনেল চঙবা ঙম্লবদি লাক্লিবা ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও গেমসকী টিকেট শোইদনা ফংলগনি।

শিভা থাপা অমদি দেভেন্দ্রো অনীনা হয়েংগী সেমী ফাইনেলদা মায়থীরবসু মখোয়না ওলেম্পিক ক্বালিফাই ওইনবগী খুদোংচাবদি লৈরি। মরমদি ব্রোঞ্জ মেদল্লিষ্ট অনীনা মতিং লৈনা উৎখিবা পার্ফোমেন্স অদু য়েংনরগা নুপাগী দ্রোদা অহুমশুবা ক্বালিফাইয়র অদু লেপকনি।

অদুগা খ্বাইদগী চাউনা নীংবা কায়বা অমনা হান্নগী এসিয়ন চেম্পিয়ন এল সরিতা দেবী (কেজি ৬০) না ভিয়েটনামগী লু দুয়েনগী মখূৎতা ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা ১-২ দা মায়থীদুনা লৈহৌখি। অতোপ্পা মায়থীহৌখিবা বোক্সরদা ধীরাজ রঙ্গি (কেজি ৬০) না অনীশুবা শিদেদ ফিলিপিনোগী চার্লি সুরেজগী মখূৎতা ০-৩ দা মায়থীহৌখি।

মঙারক ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অমদি ওলেম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেদল্লিষ্ট মেরি কোমনা ফিলিপিনোগী নেসথি পেটেসিওবু য়াম্না লাকচনা তৌদুনা ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। মণিপুরী ভেটেরান অসিনা মহাক্কী মতম কুইনদগী য়েক্নদুনা লাক্লবা চিনাগী রেন কানকানগা সেমী ফাইনেলদা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অহুন্নক ওইখ্রবা কানকাননা কুমজা ২০১০ গী এসিয়ন গেমসকী সেমী ফাইনেলদা মেরি কোমবু মায়থীবা পীরমখিবনি।

হয়েং শিভা থাপা অমদি দেভেন্দ্রো অনীনা নুংথিলগী সেসন্দা মখোয়গী লম্বাশিংগা মায়োক্নদুনা শান্নবগা লোয়ননা মথং রাউন্দগীদমক মিৎয়েং থম্বা হৌখ্রে।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদল্লিষ্ট শিভা থাপানা জপানগী অরাশি মোরিসাকাবু কৃক কৃক ইন্ননা শান্নখিবা বাউট অদুদা ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি। এল দেভেন্দ্রোনা চাইনিজ টাইপেগী পো ৱৈটুবু মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা মায়থীবা পীখি।

শিভা থাপানা সেমী ফাইনেল মেচতা কজাখষ্টানগী কাইরাট য়েরালিয়েভকা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। দেভেন্দ্রোনা হয়েং ফিলিপিনো রোগেন লাদোনগা সেমী ফাইনেলদা লম্বা তৌনগনি।

কন্টিনেন্টেল ক্বালিফাইয়র অসিদা নুপাগী ওইনা বোক্সর ৩০ অমদি নুপীগী ওইনা বোক্সর তরুক্লা ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাইদ ওইগনি।

# সাউথ অফ্রিকানা শ্রী লঙ্কাবু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীদুনা দল্লিয়ু টি-২০ গী কেম্পেন লোইশিনখ্রে




ন্যু দেল্লি, মার্চ ২৯ :
মফম অসিগী ফিরোজ শাহ কোটলাদা ঙরাং শান্নখিবা আই সি সি ৱর্ল্ড কপ টি-২০ গী মেচতা সাউথ অফ্রিকানা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন শ্রী লঙ্কাবু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীদুনা কপ অসিগী কেম্পেন লোইশিনখ্রে।

মেচ অদুদা টোস ঙমখিবা সাউথ অফ্রিকানা অহানবা বোলিং তৌনবা খনখি। শ্রী লঙ্কানা অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিদুনা ওভর ১৯.৩ দা ৱিকেট পূম্নমক আউট ওইরগা রন ১২০ লৌদুনা প্রোটিজগীদমক টার্গেট রন ১২১ পীরমখি।

মেচকী অনীশুবা ইন্নিংসতা প্রোটিজনা মখোয়গী টার্গেট রন লৌনবা তানখৎলকখিবদা ওভর ১৭.৪ দা ৱিকেট অনীখক্তমক তুরগা রন ১২২ লৌদুনা মায়োক্লখিবা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন শ্রী লঙ্কাবু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীখি।

শ্রী লঙ্কাগী ওপনর টিল্লকারত্নে (৩৬) অমদি স্কিপর দিনেস চান্দিমাল (২১) অনীনা পার্টনরসিপ ওইদুনা টিমগীদমক শাহৌ ফনা শান্নবা হৌরকখি। মবাইনি পার্টনরসিপ্তা অথুবা মতমদা রন ৪৫ লৌখি। অদুবু সাউথ অফ্রিকাগী আরোন ফাঙ্গিশোনা চান্দিমাল অমদি লাহিরু টিরিমানে (০) বু থংনা থংননা মহাক্কী বোলদা তুখিদুনা শ্রী লঙ্কাগী ফীভম শোকপা হৌখি।

শ্রী লঙ্কাগী মিলিন্দা শ্রীৱার্দননরুননা বোল ১০ দা রন ১৫, টিসারা পেরেরানা বোল ৭ তা রন ৮ অমদি দাসুন শনাকানোটনা বোল ১৮ দা রন ২০ লৌদুনা টিমগীদমক হোৎনখ্রবসু কান্নবা ফংবদি ঙমখিদে।

সাউথ অফ্রিকাগী বোলর দেলষ্টেননা ওভর ৪ দা রন ৩৩ পীরগা ৱিকেট ১, কেল অবোটনা ওভর ৩.৩ দা রন ১৪ পীরগা ৱিকেট ২, ইমরান টাহিরনা ওভর ৪ দা রন ১৮ পীরগা ৱিকেট ১ অমসুং ফরহান বেহার্দেননা ওভর ৩ দা রন ১৫ পীরগা ৱিকেট ২ লৌদুনা শ্রী লঙ্কাগী মায়কৈদা অকনবা চৈথেং পীখিবদা নত্তনা ৱিকেটশিং মনম মনম লৌদুনা অরুবা ফীভমদা থমখি।

সাউথ অফ্রিকানা মখোয়গী ইন্নিংসতা ওপনর হাসিম অমলা (নোট আউট) না বোল ৫২ দা রন ৫৬, ক্বিন্টন দ কোকনা বোল ৬ তা রন ৯, ফাফ দু প্লেসিসনা বোল ৩৬ তা রন ৩১ অমসুং এ বি দি ভিল্লিয়রস (নোট আউট) না বোল ১২ দা রন ২০ লৌদুনা মখোয় টিমগীদমক মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি। হাসিম অমলাগী লৌখিবা রন ৫৬ অদুদা ফোর ৫ অমদি সিক্স ১ য়ৈদুনা টিমগী মায় পাকপা লম্বীদা পুশিনখি।

শ্রী লঙ্কাগী সুরঙ্গা লকমলনা ওভর ৩.৪ দা রন ২৮ পীথোক্লগা ৱিকেট অমখক্তমক লৌদুনা সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদা থোইদোকপা শাফু পীবা ঙমখিদে। টিসারা পেরেরা অমদি দাসুন সানাকানা ওভর ২/২ লংখিবদা রন ১৭ অমদি ১৮ পীথোকখি। রঙ্গনা হেরাথ অমদি জেফ্রি ভান্দরসেনা ওভর ৪/৪ লংখিবদা রন ২১ অমদি ২৫ পীদুনা মায়োক্লবা টিমগী মায়কৈদা খুদোংচাবা পীখি। অদুবু সাউথ অফ্রিকাগী বেটসমেনশিংনা অকিবা লৈতনা য়ৈখিবা বোলশিংদা মশক থোক্লা রনশিং লৌখিবনা মায় পাকপা ঙমখি। মেচ অদুদা অরোন ফাঙ্গিসোনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

# পান্দেনা শোক্লবা যুভরাজগী মহুৎ শিল্লবা য়ারি, রহানেসু মহুৎ শিন্নবা লৈরি



মুম্বাই, মার্চ ২৯ :
লেফ্ট হেন্দেদ বেটসমেন যুভরাজ সিংহ মহাক্কী খোঙগী খুজেংদা শোকখিবদগী অজিঙ্কয়া রহানে অমদি মনিশ পান্দেনা যুভরাজগী মহুৎ শিন্নবা ইন্দিয়ান টিমদা চঙন্নবগী থোং লাউনা হাংখ্রে।

লাক্লিবা মার্চ ৩১ শগোলশেল নুমিৎতা ৱর্ল্ড টি ২০ গী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

কর্ণাটাকাগী বেটসমেন পান্দেনা শোক্লবা যুভরাজবু কোভর তৌনবগীদমক মুম্বাইদা থুংখ্রে অদুগা লোকেল রেসিদেন্ট রাহনেনা বেঞ্চতা লৈদুনা ৱার্মিং তৌবা হৌখ্রে।

বি সি সি আইদগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না ফোঙদোরকপদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মোহালিদা ওষ্ট্রেলিয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা মেচতা রন লৌনবা যুভরাজনা চেনবা হৌরকপদা মহাক্কী খোঙগী খুজেং অদু শোকখিবনি। মহাক্না মহাক্কী টিম মেম্বরশিংগা মুম্বাইদা হেক থুংলবগা মহাক্কী অশোকপগী এম আর আই স্কেন তৌগনি হায়রি।

সোর্স অমগী মতুং ইন্না সেনিয়র বেটসমেন অসি রিহেবতা লৈরি অমদি মেদিকেল ষ্টাফনা মহাকপু সেমী ফাইনেলগীদমকমশা ফিট ওইহনগনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়রি। করিগুম্বা যুভরাজনা মহাক্কী অশোকপা অসি মপুং ফানা ফগাৎত্রবদি রহানে নৎত্রগা পান্দেনা মার্চ ৩১ গী শান্নগদবা এলেবেনদা শুংশোই শোইদনা মফম অমা ফংগনি হায়রি।

পান্দেনা অরোইবা ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিদনিদা পাঙথোকখিবা বাইলেটরেল সেরিজগী মঙাশুবা অমদি অরোইবা ও দি আই মেচতা ইন্দিয়াগীদমক শান্নখি অমদি মহাক্না মহাক্কী মশক থোক্লবা সেঞ্চুরি লৌখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট তরুক্তা মায়থীবা পীখ্রবা মতুং কেপ্তেন মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা হায়খি, করিগুম্বা ফীভমনা য়াদ্রবদি প্লেয়িং এলেভেনদা অহোংবা লাক্কনি। ঐখোয়না অহোংবা পুরক্কদ্রা হায়বসি ঐনা খঙবা লৈতে অদুবু মসি ওইথোকপদি য়াই। ঐখোয়না যুভরাজ শোক্লে হায়বসি খঙলে। করিগুম্বা ফিজিওনা মহাক্কী অশোকপা অসি ফীভম ফৎত্রে হায়রবদি মহাক্কী মহুৎ শিন্নবা ঐখোয়না শুংশোই শোইদনা থৌরাং তৌদুনা থমগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

টিমগী মেনেজমেন্টনা যুভরাজগী ওইরিবা ফীভম কুপ্না য়েংশিন্দুনা লৈরি। মোহালিদা শান্নখিবা মেচতা মায়থীহৌবদগী রিটয়ার্দ তৌখ্রবা শেন ৱাটসন্না মহাক্কী মমাঙগী আই পি এলগী টিমমেট রহানেগী মতাংদা হায়খি, রাহনে অসি য়াম্না ফবা প্লেয়রনি হায়না ঐনা লৌই। করিগীদমক মহাকপু ইন্দিয়াগী বেট্টিং লাইন্দা থমদ্রিবনো হায়না হংলদুনা মহাক্না মফম মফমগী য়েংলগা রনশিং লৌবা ঙম্মী হায়না ফোঙদোকখি।

B.C.C. Manipur
Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
(The longest Coaching Centre in Manipur and 21 years service)
ADMISSION OPEN
CRASH COURSE FOR NERIST 2016
Class Commencing from 28th March, 2016
Our selected students for last year 2013-14 &15
KHUNDRAKPAM RANJAN SINGH, Khangabok Part-II Maibnam Leikai, Rank-1, Roll No. 10610020
UMAKANTA SAIKHOM, Khangabok Mayai Leikai, Rank-10, Roll No. 107100888
JOGELDRAJIT THONGAM, Pheijaleitong Nameirakpam Leikai, Wait Listed Rank-3, Rank-10, Roll No. 106100144
L. YAIPHABA MEITEI, Soibam Leikai Wangkhei Khunou, Wait Listed, Rank-6, Roll No. 106100288
NAYANGLAMBAN GOBIN SINGH, Awang Khunou Lamkhai, Langjing, Rank-1, Roll No. 106100533
VICTOR MOIRANGTHEM, Khangabok Bazar, Thoubal, Rank-2, Roll No. 103100598
NINGTHOU OINAM, Sagolband Mayai Leikai, IW, Rank-2, OBC, Roll No. 106100423
ARNON PUKHRAMBAN, Kwakeithel Moirangpurel Leikai, IW, Rank-4, Roll No. 106100505
NINGTHOUJAM KABIRAJ SINGH, Khangabok Awang Leikai, Rank -6, Roll No. 106100270
SAIKHOM ROHIT SINGH, Khangabok Awang Leikai, Rank -2, Roll No. 106100009
FOUNDATION COURSE
Class IX, X, XI & XII (Sc)
COHSEM/CBSE (Separate Class)
Class commencing from 4th April, 2016
Last date of form submission 2nd April, 2016
Class Timing: 4:30 pm to 7: 30 pm
Office Hours: 4pm to 8 pm
Please Contact:
B.C.C. Manipur
(Elite Sr. Sec. Building)
Kakwa Asem Leikai, Burma
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 9615385953
HL-B/3000/05/03-4/04

# ৱর্ল্ড টি-২০ ঃ ইংলেন্দ অমসুং ন্যুজিলেন্দ, ইন্দিয়া অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা সেমী ফাইনেলদা থেংনরগনি




ন্যু দেল্লি, মার্চ ২৯ :
এম আর এফ টাইয়র আই সি সি টি ২০ ইন্টরনেসনেল রেঙ্কিংগী টোপ মঙাগী মনুংদা মরিনা আই সি সি ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০ গী সেমী ফাইনেলদা চঙখিবগা লোয়ননা সেমী ফাইনেল মেচশিং ন্যু দেল্লি অমদি মুম্বাইদা মথংশিৎনা য়ুমশকৈশা অমসুং শগোলশেন নুমিৎতা শান্নরগনি।

নম্বর ৱান রেঙ্কতা লৈরিবা ইন্দিয়ানা অহুমশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা ৱেষ্ট ইন্দিজগা মুম্বাইদা শগোলশেল নুমিৎতা শান্নগদবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা লম্বা তৌনরগনি। অদুগা ন্যু দেল্লিদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নগদবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা অনীশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা ন্যুজিলেন্দ অমদি মঙাশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা ইংলেন্দগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী প্রী-টুর্নামেন্ট রেঙ্কিং অদুদা লৈখিদুনা টোপ্তা লৈরি অদুগা ৱেষ্ট ইন্দিজনা পোইন্ট অনী ফংদুনা অপূনবা পোইন্ট ১২০ দা লৈদুনা অহুমশুবা রেঙ্কতা লৈরে। মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা টিম অনীমক্না অনীশুবা রাউন্দগী মখোয়গী মেচ মরিগী মনুংদা মেচ অহুম মায় পাক্তুনা অমগা অমগা পোইন্ট ৭ কী গেপতা লৈহনখ্রে।

অমরোমদা ন্যুজিলেন্দনা কম্পিটিশন অসিদা মায়থীবা অমত্তা য়াওদনা পোইন্ট তরুক ফংবা ঙমদুনা অপূনবা পোইন্ট ১২২ দা লৈদুনা রেঙ্কিংগী অনীশুবা মফমদা লৈখি। মখোয়গী সেমী ফাইনেলদা থেংনগদৌরিবা লম্বা অমদি কুমজা ২০১০ গী চেম্পিয়ন ইংলেন্দনা পোইন্ট অহুম ফংদুনা অপূনবা পোইন্ট ১১৫ ওইদুনা মঙাশুবা রেঙ্কতা লৈখি। ইংলেন্দনা টুর্নামেন্ট অসিদা ফংখিবা মখোয়গী মেচ মরিদা মেচ অহুম মায় পাকখি।

পনবা য়াই, সেন্সেসনেল বেটসমেন বিরাট কোহলিনা বোল ৫১ দা রন ৮২ লৌবা ঙমদুনা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু নোংমাইজিং নুমিৎতা মোহালিদা চথুখিবা আই সি সি ৱর্ল্ড টি-২০ গী মেচতা ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

মেচ অদুদা টোস ঙমখিবা ওষ্ট্রেলিয়ানা অহানবা বেট্টিং খন্দুনা শান্নবা হৌখি। মদুদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৬০ লৌদুনা ইন্দিয়াগীদমক টার্গেট রন ১৬১ পীরমখিবনি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা ইন্দিয়ানা মখোয়গী টার্গেট রন ফংননবা তান্নরকখিবদা ওভর ১৯.১ দা ৱিকেট ৪ খক তুরগা রন ১৬১ লৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা ওইনা সেমী ফাইনেল চঙবা টিম ওইখি। টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজকা মায়োক্নদুনা শান্ননবা খোঙফম শেমখিবনি।

ইন্দিয়াগী কোহলিনা বোল ৫১ দা রন ৮২ লৌখিবগা লোয়ননা মহাক অমদি এম এস ধোনি অনীনা অপূনবা পার্টনরসিপ রন ৬৭ লৌদুনা ইন্দিয়ানা মেচ অদু মায় পাকখি।